HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

নোর্থ ইষ্টর্ন দিভেলপমেন্ট ফাইনান্স কোর্পোরেসন লিমিটেদনা মসিগী সী এস আর ইনিসিএটিভকী মখাদা চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা লুপা লাখ ১৫গী চ্যেক সী এম মশাদা খূৎশিন্নবা

মঙফাওনররোইদবা শান্নবুংগী মঙ
☛ লামায় ২

ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী মফম অনী অথুবদা লৈঙাক্না য়েংশিনবিয়ু
☛ লামায় ৩

লুপা ক্রোর ১.৩৩ রোমগী সনা ফারে
☛ লামায় ৫

মহৈরোয়শিংদা স্কোলরশিপকী শেনফম অথুবা মতমদা ফংহনবীয়ু
☛ লামায় ৬

অমুকো অমসুং ৱাই ও এফ এফ এসকা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসনগী ৱারিয়রশিংনা কোভিদ-১৯ লাম্হেংনবদা শীজিন্নগদবা অয়ুসনা পীরকপা হীদাকশিং মীয়ামদা য়েন্থোকখিবা

Vol. 45, Issue No. 125 | ইরাই, ইঙেনগী ২২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, July 30, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

মণিপুর য়াওনা ষ্টেট ৫গী মীখল

ঈ সী আইনা সী ঈ ওশিংগী রিভিয়ু মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস) : এসেমব্লি ইলেক্সনশিং পাঙথোকপগী মতম নকশিল্লক্লবা মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ৫গী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও) শিংগী ওইবা ‘এদভান্স প্লান্নিং’ গী রিভিয়ু মীটিং অমা পাঙথোকখ্রে।

মীখল পাঙথোক্লগদবা ষ্টেট মঙাগী সী ঈ ওশিংগী ওইবা রিভিয়ু মীটিং অসি ঙরাং ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর সুসিলচন্দ্র, ইলেক্সন কম্মিস্নর অনুপচন্দ্র পান্দে অমসুং ঈ সী আইগী সেক্রেটরি জেনরেল উমেস সিনহানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবনি।

ন্যু দেল্লীগী অশোক্কা রোদকী নিরভচন সদনদা লৈবা ঈ সী আইগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা রিভিয়ু মীটিং অসি মীখল পাঙথোক্লগদবা মণিপুর, গোৱা, পঞ্জাব, উত্তরখণ্ড অমসুং উত্তর প্রদেশকী সী ঈ ওশিংগী ওইনা মরু ওইনা পাঙথোকখিবনি।

মীখল পাঙথোক্লগদবা মণিপুর য়াওনা ষ্টেট মঙাগী সী ঈ ওশিংগী পাঙথোকখিবা প্রিলিমিনরি মীটিংদা পুথোক্তুনা খন্নখিবা ইলেক্সনশিংগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং অদুগী রিভিয়ু মীটিং অসিদা ঈ সী আইগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর সুসিলচন্দ্রনা সী ঈ ওশিংদা ফোঙদোকখিবদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট মঙাগী ইলেক্সনগী থবক থৌরমশিং (প্রোসেস) অসিগী মশক ট্রান্সপরেন্সি অমসুং ইম্পার্সিএলিটি হায়বসিনা ওইহনগদবনি।

ষ্টেট অমগা অমগনা মায়োক্নবা মীখলগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং অমসুং খুদোংচাদবশিং মান্নদবা য়াই। অদুম ওইনমক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলশিং অসিগী ইলেক্সন প্লান্নিংদা ভোটর-সেন্ট্রিক এপ্রোচ অমসুং মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডর পূম্নমক য়াওহন্দুনা পার্টিসিপেটিভ দিসিজন লৌবা তঙাইফদে হায়খি।

ঈ সী আইগী সী ঈ সী সুসিলচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা অকনবা মীৎয়েং থমখিবশিংনা ষ্টেট মঙা অসিগী ইলেক্টোরেল রোলশিং অচুম্বা-অশেংবা ওইহনগদবনি অমসুং ষ্টেটশিং অসিগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরশিংনা ভোটরশিংনা ভোট থাদবা য়ানবগীদমক রেজিষ্ট্রেসন তৌরকপগা মরী লৈননা পন্দুনা লৈরিবা এপ্লিকেসনশিং অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্তুনা রেজিষ্ট্রেসন তৌহন্নবা থবক পায়খৎকদবনি।

হৌজিক মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিগী য়েংলদুনা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা রেসনেলাইজেসন তৌবগী মথৌ তাই অমসুং পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা মরু ওইনা লৈফম থোকপা ফেসিলিটি অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

হেল্থ, এদ্যুকেসন, এগ্রিকলচর সেক্টরদা অওনবা পুরক্কনি : রামেশ্বর

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা ১৯-পাৎশোয় এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীহুৎ ওইগনি হায়না চোংথোরক্লিবা আর কে রামশ্বের (৫১) না করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী পোলিটিক্সতা করিগীদমক খোঙদারখিবনো অমদি পাৎশোই এ সীগী অমদি লৈবাক মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌবা পাল্লি হায়বগী মতাংদা পাউচে অসিগী ‘মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোং’ হায়বা কেন্দিদেট ওইগদৌরিবশিংগী ৱাখল্লোল ঐখোয় পূম্নমক্না খঙমিন্নবগী চৎথরিবা খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা অখন্ননা ৱারী শান্নরুবদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায় -

১৯-পাৎশোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি

মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোঙ

ডা. খাইদেম অথৌবা

ৱাহং : লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়দুনা ভোট লেপ্পগী ৱাখল ফাওরক্লিবসি করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী অমদি করি পেন্দবা লৈবদগীনো?

পাউ : নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা মীয়ামগা লোয়ননা সোসল ইস্যুশিংদা অমদি শান্নখোৎনবগী লম্দসু থবক কয়া তৌদুনা লাকখি। হৌখিবা কুমজা ২০১৭দা পোলিটিক্সতা খোঙদারগে হায়না মীয়ামগা ৱাখল তামিন্নদুনা পোলিটিক্সতা চঙনবা ফীরেপ লৌখি। কুমজা ১৯৯৫কী জিলা পরিষদকী মীখলদসু লেপ্পবা মীয়াম্না হায়বিরকখি। অদুবু লৈখিদ্রবা ওজা সাপম দেবেনদা ওইনা সপোর্ট তৌদুনা মহাক জিলা পরিষদকী ভোট কাখি। হায়জনিংবা ৱাফমদি পোলিটিক্সকী থবক্কা অদুমক ইরোইননা হৌরকখি। মীয়ামগী থবক তৌরকপা অমদি ইশাগী ওইবা হিংনবগী পুন্সি খোঙচৎতা থেংনরকখিবা এক্সপরিএন্সগী মতুংইন্না খুন্নাই অমা চাওখৎপা অমদি পোলিসি প্রোগ্রাম পূম্নমক অসি পোলিটিকেলনা মমায় চুমগদবনি হায়বা ৱাখল্লোল ফাওরকপা অমদি লৈবাক্কীদমক করিগুম্বা খরা মীয়ামগা পুল্লগা থবক তৌনিংবদগী পোলিটিক্সকী লম্ অসিদা খোঙদারকখিবনি।

ৱাহং : হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি খনবিব্রা? এম এল এ খরা হন্দক দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবগী মতাংদদি করি হায়বিনিংই?

পাউ : লৈঙাক খুদিংমক লোয়না ফৈ হায়জনিংই। অদুবু হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি ঐগী ৱাখল্লোলদা য়াজ নিংবা খরদং হায়রগদি গো টু ভিলেজ অমদি গো টু হিল হায়বনচিংবা থবক পায়খৎলক্তুনা মীয়ামগা অফবা মরি থম্ননবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

সী এমদা খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস): আই সী আই সী আই ফাউন্দেসন ফোর ইন্ক্লুসিভ গ্রোথনা চীফ মিনিষ্টরদা এম্বুলেন্স অমা অমসুং ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর ৫১ ঙসি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা খূৎশিন্নখ্রে।

অমরোমদা, নোর্থ ইষ্টর্ন দিভেলপমেন্ট ফাইনান্স কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঈ দি এফ আই) নসু মসিগী সী এস আর ইনিসিএটিভকী মখাদা চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা লুপা লাখ ১৫ দোনেট তৌখ্রে হায়রি।

মৈ মুৎকনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস): এম এস পি দি সী এলগী এসিষ্টেন্ট মেনেজর আই ঈ দি-৩না থোরকপা চেরোল অমদা হয়েং অয়ূক পুং ৯দগী নুংথিলগী পুং ৩ ফাওবা জঙ্গল কটিং তৌগদবনা মরম ওইরদুনা ১১-কেভি কাঞ্চিপুর ফিদ্দর থিংজিনগদবনা ক্যামগৈ, চজিং অমসুং থোংজুদা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মৈ মুৎকনি হায়রি।

মরম চাদনা থোকপা থিংলে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস): থোংজু পার্ট টু কোভিদ টাস্ক ফোর্সকী লমজিং মখাদা থোংজু পার্ট টুগী ক্লব ৯গা খূৎশম্নুনা মফম অসিগী প্রধান য়াওনা ৱার্দ ৯গী মেম্বরশিংগা পূল্লগা ঙসিদগী লৈরক খুল্লক য়াওনা ইম্ফাল মোরে লম্বীগী মতেক খরা - থোংজু বোরোই মখোঙদগীনা এম য়ু মেন গেটকী মমাঙদা লৈরিবা মফমশিং য়াওনা থোংজু পার্ট টুগী মফমশিংদা য়ূমদগী মরম চাদনা মপান থোরকপশিং অথিংবা থম্বা হৌরে হায়রি। অথিংবা অসি মথং থাগী ৩ ফাওবা থোংজু পার্ট টুগী মফম পূম্নমক্তা চৎনগনি হায়না ষ্টুদেন্টস ৱেলফ্যের কম্মিটি থোংজু ফৈজা লৈতোং ক্লবকী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

এক্সন লৌরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস): মৈতৈ লিপুন (সনা কোনুং) গী টিম লিদর ঐচ সিলাননা থোরকপা চেরোল অমদা ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস এসোসিএসন কৌবা অমগী লেট্টর হেদতা মসিগী জেনরেল সেক্রেটরি য়েসি নোরবু কৌবা মীওই অমগী রিজোইন্দর অমা মার্ক থাংমাং হাওকিপ কৌবা মীওই অমগী ফেসবুক ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩১.৯৮ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৭.০৩ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৬.৩১
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.৪১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০০

HL Poll

Q: Curfewgi athingba marakta khudongchaba louduna pot-cheigi mamal wangkhatlaklibasi leingakna meetyeng changpham thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Kallaba Covid-19 pandemicki second wave mayoknaringei gi cheiraksida manipurgi politicsta achouba ahongba ama lakkadourabra?

Yes 86% No 14%

অস! লোইরেহে!

- হাইস সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তে, কোরোনা চঙলনিনে নখোয়বো।



- করিগী কোরোনা? সিদি স্পেসলনি।

লৌ লোইরগা হার পীবনা করি কান্নগনি : লৌমী লূপ

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস) : এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লৌমীশিংদা য়ুরিয়া লৈনবগী খুদোংচাবা পীরিবসি হার মরাং কায়না দিপার্টমেন্টনা ফংহন্দবদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লৌমীশিং অৱাবগী মশক ওইরে। দিপার্টমেন্টনা পীরিবা হার খরসিসু লৌমীশিংনা লৌনবা হোৎনবদা অৱাবনা খম থেংলে।

হৌজিক চথুরিবা হার য়েনবগী থৌওং অদু লৌমীশিংগী খন্দুনা হোংদোকপীয়ু। লৌমীশিংদা মতম চারিঙৈদা হার মরাং কায়না ফংহন্নবা গভর্ণমেন্ট অমদি মসিগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। লৌমীশিংনা হারগী মথৌ তারকপা মতমসিদা মরাং কায়না ফংহন্দবা হায়বসি তশেংনা য়ানীংদে। মতম চারিঙৈদা হার চাইহৌদনা মতম চাদ্রকান্দা লৌ লোইরবা মতমদা হার পীরগা করি কান্নগনি।

ৱাফম অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিংদা হেদ ওফিস ওইরিবা অপূনবা লৌমী লূপ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি এন দয়ানন্দনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরদা কাউন্টর অমখক্তনা নুমিৎ নীনি/হুমনি খক্তং নোংমগী মীওই ৩০০ খক্তমক হার লৈবা য়াবগী খুদোংচাবা পীরিবা অসি য়ানীংদে। লৌমীশিংনা য়ুরিয়া হার মথৌ তারকপা মতমদা মরাং কায়না ফংহন্দবা অসি য়ানীংদে হায়রি।

লৌমীশিংদা হার মরাং কায়না ফংহন্দ্রিবসি করিগীনো হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা হংলুবদসু দিপার্টমেন্টনা ফর্ষ্ট ফেজগী ওইনা হার বেগ লিশীং ১০ খক্তমক থৌবাল অমদি ককচীং দিষ্ট্রিক্ট অনীগী পীরকই, মসিনা পাম্বে লৈতে হায়দুনা খুল্লকই হায়রি।

অসুক য়ামখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লৌফম হেক্টর ২৩ লোম হেন্না লৈরিবা অসিদা হার বেগ লিশীং ১০ খক্তনা থৌবাল অমদি ককচীং দিষ্ট্রিক্ট অনীসিদা য়েন্নদুনা য়েল্লি হায়বা ৱাফমসি লৌমীশিংনা য়ানীংদে। মসি লৈঙাক্না অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীদুনা অথুবা মতমদা হারগী অৱাবা কোকহনবীয়ু হায়রি।

হৌজিক এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা ফেজ নাইনা য়েল্লিবা সিষ্টম অসিসু তশেংনা য়ানীংদে। ফর্ষ্ট ফেজগী য়েন্থোরকপদা লৌমীশিংদা হার মপূং ফানা ফংহন্দ্রিবা অসিনা করিগীনো হায়নসু ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

ককথৎখ্রবা সিভিল সর্ভিসেস এগজামিনেসন, ২০১৬কী ৱাথোক

হায় কোর্টনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরগী মায়োক্তা ষ্টেটনা সুপ্রিম কোর্টতা এস এল পি ফাইল তৌরক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস) : লৈবাক ৱাথোক ওইখিবা অদুঙৈ এম পি এস সীনা দিসেম্বর ২৯, ২০১৫দা থোকখিবা এদভর্টিজমেন্ট অমগী মতুংইন্না থংনবা চহী ২০১৬তা পাঙথোকখিবা মণিপুর সিভিল সর্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ এগজামিনেসন, ২০১৬কী থবক থৌওংশিংদা অশোয়বা অরানবনা পীক থল্লে হায়দুনা সুপ্রিম কোর্ট য়ৌনা ৱাকৎনরুরগা এগজামিনেসন অদুদগী খনখিবা কেন্দিদেটশিংবু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পুংকক ককথৎখ্রবা মতুংদা কোর্ট অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরশিংবু শিংনদুনা ফাইল তৌরকখিবা রিভিয়ু পিটিসনশিংবুসু অমুক্কসু ককথৎখিবগী মায়োক্তা ষ্টেট ওফ মণিপুর অমসুং অতোপ্পশিংনা পিটিস্নর খূৎপু শেমদুনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা এস এল পিশিং ফাইল তৌরক্লে।

ৱাথোক ওইখিবা এগজামিনেসন অদুগী মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসননা দিসেম্বর ২৯, ২০১৫দা থোকখিবা এদভর্টিজমেন্ট অমগী মতুংইন্না মণিপুর সির্ভিল সর্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ এগজামিনেসন রুলস, ২০১০গী মখাদা মণিপুর সিভিল সর্ভিস গ্রেদ-টু, মণিপুর পুলিস সর্ভিস গ্রেদ-টু, সব দেপ্যুটি কলেক্টর, মণিপুর সেক্রেটরিএট সর্ভিস/সেক্সন ওফিসর অমদি ইলেক্সন ওফিসরশিংগী তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিগী পোষ্ট ৮২গী রিক্রুটমেন্টগীদমক এগজামিনেসন অদু পাঙথোকখিবনি।

হায়রিবা পোষ্টশিং অসিগী অহাঙবশিং মেনশিন্নবগীদমক পাঙথোকখিবা এগজামিনেসন অদুগী প্রিলিমিনরি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

মেরি কোম ভেলেন্সিয়াগী খূৎতা মায়থীহৌরে

টৌকিও, জুলাই ২৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী মেদল ফংগনি পানরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন তরুক্লক ওইবা ঙমখ্রবী লোয়ননা নুপীগী বোক্সিং মশান্নদা অহানবা ওইনা কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমস হৌদোকখিবা মতমদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবী মীয়াম্না মেগ্নিফিসেন্ট মেরি হায়না খঙনবী বোক্সর এম সী মেরি কোম ঙসি কিলোগ্রাম ৫১গী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অমদা কলম্বীয়াগী ইনগ্রিট ভেলেন্সিয়াগী মখূৎতা য়াম্না অকনবা লম্বাগী মতুং শুপ্নগী পোইন্ট ১দা হন্থরগা ২-৩দা মায়থীহৌরে।

ঙসিগী বাউট অদুগী হেক হৌরকপগা কলম্বীয়াগী বোক্সর অদুনা চেনশিন্দুনা মেরি কোমদা চথুখিবা এটেক অদুনা বাউট অদু লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা ওইগনি হায়না মীয়াম্না খঙনখি। অহানবা রাউন্দ অদুদা ভেলেন্সিয়াগী মায়কৈদগী পোইন্ট স্কোর তৌবা পঞ্চ মশীং খরা হেনখিবা অদুনা জজ মঙাগী মনুংদা জজ মরিনা ভেলেন্সিয়াদা পোইন্ট হেন্না পীখি। অদুগা মেরি কোমদা জজ অমখক্না ফেভর তৌখি।

মশাগী চহী ৩৮ শুরবী এম সী মেরি কোমনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা চথুখিবা এটেকশিং অদুনা কলম্বীয়াগী বোক্সর অদুদগী ফজবা হেনখি। জজ মঙাগী মনুংদা অনীশুবা রাউন্দ অদু মেরি কোমদা জজ অহুম লৈখি। অদুগা জজ অনীনা ভেলেন্সিয়াদা পোইন্ট হেন্না পীখি। অহুমশুবা বাউট অদুসু অনীশুবা বাউট অদুগা চপ মান্না মেরি কোমগী মশান্না অদুদা জজ অহুম্না ফেভর তৌরগা জজ অনীনা ভেলেন্সিয়াগী মায়কৈদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

সেকেন্দ দোজ কাপথোক্লবা ১ য়াওনা ১১ শিরে, পোজিটিভ ১০০০ থেংনরে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা তোঙান তোঙানবা টেষ্টিং সেন্টরশিংদগী ফংখিবা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী রিজল্ট ৬,৬৫৫কী মনুংদা মীওই ১০০০ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা সেকেন্দ দোজগী কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবা মীওই ১ য়াওনা ১১ লৈখিদ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি আই দি এস পি - ৭৫/কোভিদ/২০২০গী ষ্টেটস অপদেট ওন কোভিদ-১৯গী মতুংইন্না হায়বনি। লোয়ননা কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনসু নৌনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ১০০০ অসিগী মনুংদা অমখক্তংনা সী এ পি এফ পর্সনেল ওইরগা লেমহৌরিবা মীওই ৯৯৯না মীচম মীয়ামনি। মসিগী মনুংদা নুপা ৪৯৭ অমসুং নুপী ৫০২নি হায়রি।

পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিনা টেষ্ট তৌখিবা মফমশিংনা রিমসতা ২৫, জেনিমস ৪২, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৭২৩ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা কেস ২০১ থেংনবনি হায়রি।

পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্ট ১৬৬, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৯৯, থৌবাল ৬২, বিষ্ণুপুর ১১৩, ককচীং ৯৭, উখ্রুল ২৩, চূড়াচান্দপুর ১২৫, চান্দেল ২৩, সেনাপতি ২৮, তমেংলোং ৯, তেংনৌপল ২, কাংপোকপী ২৯ অমসুং কামজোংদগী ৩নি হায়রি।

হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না লৈখিদ্রবা মীওই ১১ অদুগী মনুংদা য়াওরিবশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১, ইম্ফাল ইষ্ট ৪, বিষ্ণুপুর ১, ককচীং ২, উখ্রুল ১, তেংনৌপল ১ অমসুং চূড়াচান্দপুরদগী মীওই ১নি। ঙসি লৈখিদবা ১১ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৫২১ শুরে। ঙসি লৈখিদবা মীওই ১১ অসিগী মনুংদা ৮না কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি। অদুগা অতোপ্পা মীওই ৩না কোভিদ ভেক্সিন ফর্ষ্ট দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংনি। অদুম ওইনমক লৈখিদ্রবা মীওই ১১ অসিগী মনুংদা কোভিদ ভেক্সিনগী সেকেন্দ দোজ কাপথোক্লবা মীওই ১ য়াওই হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি মীওই ৮৪১ দিসচার্জ তৌখি হায়রদুনা মীওইশিং অসিগী মনুংদা হোম আইসোলেসনদগী ৪০১, জেনিমস ১৬, সী সী সীশিংদগী ১৩৯ অমসুং সী ঐচ আই সীশিংদগী ২৮৫নি হায়রি।

ঙসি নৌনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ১০০০ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং ৯৬,৮২৪ (মীচম মীয়াম - ৯২,৮৪৯, সী এ পি এফ - ৩,৯৭৫) শুরে। অপূনবা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ৮৪,৪০৮ (মীচম মীয়াম - ৮০,৪৯১ অমসুং সী এ পি এফ - ৩,৯১৭) নি হায়বগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা লৈখিবা অপূনবা এক্টিভ কেসকী ...মখা লামায় ৩ কলম ১

নহা ১৫০০দগী ২০০০ ফাওবা থবক পীনবা ওফর তৌরক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস) : জপানগী য়জাকি কোর্পোরসনগী মখাদা লৈবা য়জাকি ইন্দিয়া প্রাইভেট লিমিটেদনা মণিপুরদা মখোয়গী ৱায়র হার্নেসিং মেনুফেকচরিং য়ুনিট লিংখৎতুনা লমদম অসিগী নহা ১৫০০দগী ২০০০ ফাওবা থবক পীনবা ওফর তৌরকখিবগা লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্না খূৎশম্নুনা চৎমিন্ননীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।

টেক্সটাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎকী মায়কৈদগীসু য়জাকি ইন্দিয়া প্রাইভেট লিমিটেদকী ৱাফম অদু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকখিবদগী ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে, চীং-তম অমত্তা ওইরে, চীফ মিনিষ্টরগা তানরগা মথৌ তাবা লম পীনবা হোৎনগে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি ঙসি সেক্রেটেরিএট ন্যু ব্লোক্তা লৈবা মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা পাঙথোকখিবা ভিদিও কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবনি।

ভিদিও কনফরেন্স অদুদা য়জাকি ইন্দিয়া প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দাইরেক্টর, প্রসান্থ নায়কনা মহাক্কী ওইবা ৱাফমদা, কম্পেনি অসি ৱর্ল্ডগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ৱায়র হার্নেসিং কম্পেনিনি। কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলবসু মমাঙ চহীদা কম্পেনি অসিগী টর্ন ওভর অসি দোলর ১৭ বিলিয়ন ওইখি। ইন্দিয়াদা টাটা গ্রুপকা কম্পেনি অসিগা ৫০/৫০ স্যের ওইবা জেইন্ট ভেঞ্চর প্রোজেক্ট অমা কুমজা ১৯৯৭তগী পায়খৎতুনা লাক্লি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট ৮ হায়বদি মহারাষ্ট্র, টামিল নাদু, রাজস্থান, গুজরাট, কর্ণাটকা, উত্তরখণ্ড, ঝরখণ্ড অমসুং দেল্লীদা কম্পেনি অসিগী মেনুফেকচরিং প্লান্ট ১১ লৈ। মসিদা মীওই ১২,০০০ হেন্না থবক পীরি। কম্পেনি অসি জেরো পোল্যুসন, জেরো হজার্দ ওইহায়বগা লোয়ননা মণিপুরদসু মসিগী মেনুফেকচরিং প্লান্ট অমা লিংখৎচগে মদুদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

শজিব্রা জেলগী প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) না ইনিসিএট তৌবা ‘কেম্প্যেন ফোর এনহান্সিং ইফেক্টিভ লিগেল এইদ এন্দ সর্ভিসেস টু প্রিজিনরস’ হায়বসিগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, শজিৱাগী ইনমেট অমসুং ওফিসলশিংগী ওইবা ওনলাইন লিগেল এৱ্যেনেস কম ইন্টরেক্টিভ প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসি নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা) গী মীৎয়েং মখাদা মসলসানা শীনবনি। ঙসি নুংথিল পুং ১ তারকপদগী হৌরগা নুংথিলগী পুং ২.১০ ফাওবা চথুখিবা প্রোগ্রাম অসিবু মসলসাগী মেম্বর সেক্রেটরি ওজেস মুতুমনা জেল অসিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট এস তৌথাং অমসুং মসলসাগী দেপ্যুটি মেম্বর সেক্রেটরি সদানন্দ সোরোকখাইবমগা লোয়ননা চ্যের লৌখি।

ওনলাইন লিগেল এৱ্যেনেস কম ইন্টরেক্টিভ প্রোগ্রাম অসিদা মসলসাগী মেম্বর সেক্রেটরি ওজেস মুতুমগী মায়কৈদগী জেল অসিগী ষ্টাফশিং অমসুং প্রিজনরশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯গী চৈথেং মায়োক্নবগী মতাংদা কন্টিঞ্জেন্সি প্লান মতম চানা রিভিয়ু তৌবা অমসুং থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবগী মরু ওইবশিং ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা প্রিজনশিংগীদমক সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীরকখিবা দিরেক্সনশিং, নালসাগী দিরেক্সন অমদি মপূং ওইনা পাঙথোক্কদবা থবকশিংগী মতাংদসু শন্দোক্না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখিবা জেলগী সুপরিন্টেন্দেন্ট এস তৌথাংনা জেল ওথোরিটিশিংনা মায়োক্নবা খুদোংচাদবশিং অমসুং মখোয়না পাঙথোকপা ঙমদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পুখৎলকখি। লোয়ননা প্রিজনরশিংগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগী য়াওনা মখোয়গী ভোকেস্নেল ট্রেনিং অমসুং জেল ষ্টাফশিংগীসু য়াওনা চপ চাবা মেদিকেল ফেসিলিটিশিং পীবগী লৌখৎখিবা থবকশিংগী মতাংদসু ফোঙদোকখি।

মপূং ওইনা ঙসিগী প্রোগ্রাম অসিদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরদুনা জেল লিগেল এইদ ক্লিনিক্কী থবক ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫